# অনৌবা ফার্ম লো অহুমগী মতাংদা সেন্তরনা অঙম তান্নবা তোক্লগা লৌমীশিংগা ৱারী শাগদবনি: অমরিন্দর সিংহ

চান্দিগর, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : সেন্তরনা অনম কনবা তোক্লুনা নৌনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা সেন্তরনা লৌমীশিংগা অঙম তান্নবগী মহুত্তা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি। লৌমীশিংগা ফম্মীন্দুনা ৱারী শান্নরবা মতুং অপাম পামদা ফোঙদোক্লরগা অনৌবা লো অমা শেম্বনা নাকল অনীমক্কী অফবা ওইগনি। অমরিন্দর সিংহনা ৱাফম অসি ঙসি মহাক্কী লৈঙাক্লা চহী মরি মপুং ফারকখিবগী থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

লৌমীশিংনা মতম শাংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। লৌমীশিংগী মায়কৈদগীসু মখোয়গী খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম লৈতবনা মরম ওইরগা সেন্তরনা লৌমীশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাগদবনি। হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানবা হোৎনবগী মহুত্তা লৌমীশিংগী খোঙজংবু নমথনবা হোৎনদুনা লৈরি। মসিনা তুংদা অফবা পুরক্লোই হায়না মহাক্লা সেন্তরদা তকশিনখ্রে।

অমরোমদা সেন্তরগী ফার্ম লো অদু মহাক্কী এসেমব্লিনা মমাং চহীদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা এমেন্দমেন্ট বিল অমা পাস তৌখি। ষ্টেটনা পাস তৌখিবা বিল অদু প্রসিদেন্টনা এসেন্ট পীদ্রবদি সুপ্রিম কোর্টতা চৎকনি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এমেন্দমেন্ট বিল অদু পঞ্জাবগী গভর্ণরনা প্রসিদেন্টতা থাগদবনি। গভর্ণরনা এমেন্দমেন্ট বিল অদু হৌজিক ফাওবা ফোরৱার্দ তৌদনা লৈরিবা অদু লাইবকথিবনি হায়রি।

সেন্তর অমসুং লৌমীশিংগী মরক্তা চয়েৎনরিবা ফার্ম লোগা মরী লৈননা থোক্লিবা থৌদোকশিং পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙমদে। ফার্ম লো অহুম অদুগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমী কয়াগী মরক্তা অশি অনা কয়া থোকখ্রে। পঞ্জাব খক্তদগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমী ১১২ হেন্না শিখ্রে। ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা সেন্তরনা লৌমীশিংগীদমক থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি।

অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তগী পঞ্জাবতা মহাক্কী লৈঙাক লাক্লবা মতুং মহাক্কী লৈঙাক্লা মীয়ামদা পাঙথোক্কনি হায়না ৱাশকখিবা থবকশিং মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা য়াওখিবা থবক থৌরমগী চাদা ৮৫ দি মহাক্কী লৈঙাক্লা মপুং ফানা পায়খৎখ্রে।

অন্দ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুগী মতমদা নাইদুগী লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না থবক তৌই হায়না লাউথোকখি। মতমদুদা নাইদুনা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা তৌগনি হায়না লাউথোকখিবা থবকশিংগী চাদা ৮১ মপুং ফানা পাঙথোকখি। অদুবু পঞ্জাবতা লৈবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা পাঙথোক্লিবা অসিদি চাদা ৮৫ নি। লৈবাক অসিদা পঞ্জাব কোংগ্রেসনা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম অসিগুম্না পাঙথোকপা ষ্টেট অমত্তা য়াওদ্রি হায়নসু মহাক্লা ক্লেম তৌখি।

অমরোমদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা অমরিন্দর সিংহনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা কংগ্রেসনা অমুক হন্না পঞ্জাবতা লৈঙাক পায়গনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর মহাক্ল ওইবা নৎত্রগা ওইদবা হায়বদুদি কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা লেপলকপা অদুগী মতুং ইনগনি হায়রি।

# বেঙ্গলদা তৃনামুলনা মায় পাক্লবা মতুং দেল্লীদা অওনবা পুরক্কনি: মমতা

কলাইকুন্দা, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা তৃনামুল কোংগ্রেনা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি তৃনামুলনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রবা মতুং দেল্লীদা অওনবা পুরক্কনি হায়না চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা হৌজিক হৌজিক ৱেষ্ট বেঙ্গলদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈঙাক পায়নবা হোৎনরি। অদুবু বি জে পিনা হোৎনরিবা অসি অরেম্বনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা তৃনামুলনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা হায়বসিদি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা চাওনা মায় পাক্লবা মতুং সেন্তরদা মহাক খোঙদাবা হৌরগনি।

বি জে পিনা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা অওনবা পুরক্কনি হায়না মতম কয়াগী মমাংদগী লাউদুনা লাক্লি। অদুবু পার্টি অসিনা অশেংবা অওনবা পুরকপগী মহুত্তা মশাগী অমদি পার্টি অসিগা নক্লনা চৎমিন্নরিবা মীওইশিংগা ওইনা অওনবা পুরক্লবা হোৎনরি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা তৃনামুলনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রক্লবদি দেল্লীদা অওনবা পুরক্লগনি হায়না বি জে পিনা অকিবা পোক্লি। মরম অসিনা বি জে পিনা বেঙ্গলদা অহেনবা শক্তি কয়া শীজিন্নদুনা ইলেক্সন মায় পাক্লবা হোৎনরি। কলাইকুন্দাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অদুদা মমতা বেনজি’না অহানবা ফেজকী ওইনা মার্চ ২৭ তগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অদুদা তৃনামুলগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা তাঙ্কক ৮ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা মায় পাক্লবগীদমক তোঙান তোঙানবা খোঙথাং পায়খৎলকপা য়াই। অদুবু তৃনামুল কোংগ্রেস অমদি পার্টি অসিগী সপোর্টরশিংগা ঈংনা তপ্না অমদি হৈনা শিংনা লৈনবা হোৎনগদবনি। মে ২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ভোট মশীং থিবগী থবক লোইদ্রিবা ফাওবা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক থোকহল্লোইদবনি।

অমরোমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীয়ামদা মহাক্লা কোভিদ ভেক্সিন লেম্না ফংহনবা পাম্মী। অদুবু সেন্তরগী মায়কৈদগীদি মহাক্কী প্রাপোজেল অদুগী মতাংদা পাউখুম অমত্তা পীরক্ত্রি হায়রি।

# এন এস জিগী চীফ ওইনা চার্জ লৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : ইন্দিয়ন পুলিস সার্ভিস (আই পি এস) ওফিসর এম এ গনপথি ঙসি ব্লেক কেট হায়রগসু খঙনরিবা কাউন্টর টেরোরিষ্ট ফোর্স নেস্নেল সেক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) গী অনৌবা চীফ ওইনা ঙসি চার্জ লৌখ্রে।

এন এস জিগী চীফ ওইনা এপোইন্ট তৌদ্রিঙৈগী মাংদা গনপথি উত্তরখন্দ পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেল ওইনসু থৌ পুরম্মী। ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিসকী চীফ এস এস জসৱাটনা ফোর্মেল ওইনা ঙসি ত্রেদিসনেল বের্টন অদু গনপথিদা খুৎশিন্নখিবনি।

গনপথি ব্যুরো ওফ সিভিল এভিয়েসনগী দিরেক্টর জেনরেল ওইনসু থবক তৌরমখি। কুমজা ২০২৪ গী ফেব্রুৱারী থাদা থবক্তগী পোত্থারগদবা আই পি এস ওফিসর অসি মহাক্কী থৌনা ফবা থবক থৌওং কয়াগীদমক লৈবাক অসিদা মমিং লৈরিবা ওফিসর অমনি। কুমজা ১৯৮৬ বেটচকী আই পি এস ওফিসর অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন্দসু মতম শাংনা থবক তৌরমখি হায়রি।

# নুপীমচা অমা কিদনেপ তৌরবা মতুং গেং রেপ তৌখ্রে

বরাবনকি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : মশাগী চহী ১৬ লোম শুরবী নুপীমচা অমা স্কুলদগী ময়ুম তান্না হল্লকখিবগী লম্বীদা মীওই মরিনা ফাদুনা পুরবা মতুং গেং রেপ তৌখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ভিক্তিম নুপীমচা অদুগী অপোকপা উত্তর প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনা থোক্লি। মহাকপু ইলেক্সনদা মীরেপ ওইহন্দনবা অমদি মহাক্কী মিংচৎ থিহন্নবগী পান্দমদা থৌদোক অদু চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না এসিষ্টেন্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এ এস পি) মনোজ পান্দেনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ভিক্তিম নুপীমচা অদু মেদিকেল এগজামিনেসনগীদমক গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা থাখ্রে অমদি ভিক্তিম অদুগী অপোকপনা কমপ্লেন তৌরকখিবগী মতুং ইন্না পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই ২ পুলিসনা ফাবা ঙম্লে। অমদি মখোয় অনীগী মথক্তা ৱাহং পাউহংগী থবকশিং চথরি হায়না এ এস পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ভিক্তিমগী অপোকপনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না পঞ্চায়ট ইলেক্সন অদুদা মহাক মিরেপ ওইদনবগীদমক প্রেসর কয়া পীরকখিবগা লোয়ননা য়াম্লবা শেনফমশিং মঙোন্দা পীগনি হায়না খঙহল্লকখি। অদুবু মহাক্লা ৱাফম অদু য়াখিদবদগী অকাস বর্মা, লালজি বর্মা, সচিন বর্মা অমসুং সিবম বর্মানা মহাক্কী মচানুপীবু ফারবা মতুং নুপী ওইবগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখিবনি হায়রি।

# মহারাষ্ট্র খক্তদা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৫,৮৩৩ থেংনখ্রে, ৫৮ শিখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মহারাষ্ট্র খক্তদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ২৫,৮৩৩ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৫৮ শিহনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৩,১৭৯ থেংনখি। মহারাষ্ট্রদা খঙহৌদনা কোভিদ লায়না লায়চৎ শন্দোরক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা চাওনা মীপায়বা পোকহল্লে।

অমরোমদা হৌখিবা নুমিৎ ১৪ নি অসিদা ম্যুটেন কোভিদকী অনৌবা কেস ১৫৮ লৈবাক অসিদা থেংনখ্রে। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগীসু লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শিহনখিবা অমদি লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা এক্টিভ কেস মশীংগী চাদা ৬০ দি মহারাষ্ট্র খক্তদগীনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টরনসু কোভিদ ভেক্সিনগী অহেনবা দোজশিং সেন্তরদা পীরক্লবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে। সেন্তরগী মায়কৈদগীসু অথুবা মতমদা পীনবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# ফার্ম লো অহুম পাস তৌদ্রিঙৈদা লৌমীশিংগা হান্নদা খন্নরম্লবদি ঙসিগী ফীভম অসি লাক্লম্লোইঃ বি জে পি লুচিংবশিং

বালিয়া, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : উত্তর প্রদেশ বি জে পি ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর রাম ইগবাল সিংহনা দেল্লী ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা লৌমীশিংনা কেম্প তৌরগা খোঙজং চঙশিল্লিবা অদু সেন্তরনা থৌশিল শোয়বদগীনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা সেন্তরনা ফার্ম লো অহুম অদু পাস তৌদ্রিঙৈদা লৌমীশিংগা উন্নদুনা ৱারী শারম্লবদি ঙসিগী ফীভম অসি ওইরম্লোই হায়রি।

দেল্লী ঙমখৈগী শরুককশিং মরু ওইনা তিক্রি, সিংহু অমসুং ঘাজিপুরদা ফার্ম লো অহুম অদুবু রিপিল তৌগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদগী হৌরগা লৌমী লীশিং কয়ানা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি।

গভর্ণমেন্টনা নৌনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম অদুনা লৌমীশিংদা কান্নবা পীরোই অমদি মদুনা লৌমীশিংগী ফংফম থোকপা হক মাঙহন্নবা হোৎনরি হায়না লৌমী কয়ানা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা সেন্তরনা মুন্না খন্নফম থোকই।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা লৌমীশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শাদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি।

উত্তর প্রদেশকী হান্নগী এম এল এসু ওইরম্লবা বি জে পি ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর অসিনা মখা তানা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ ফংহন্নবা মোদি গভর্ণমেন্টতা তকশিল্লক্লি। লৌমীশিংদা এম এস পি ফংহন্দ্রবদি নোংমা নোংমগী লৈবাক অসিদা পোত্থোক পুথোকপগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা লৌমীশিং মশা মতোমতা শিজবগী চাং হেনগৎলক্কনি।

য়ু পিদা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা য়োগি অদিত্যনাথকী লৈঙাক অসিসু মীয়াম্না পামদবা লৈঙাক ওইরে। ষ্টেট অদুদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফৎচিল্লক্ত্রে। মীয়াম্না বি জে পিদা থল্লম্বা থাজবা অদু নোংম নোংমগী হন্থরক্লিবা অসি থিংহৌনবা সেন্তরদা লৈরিবা লুচিংবশিংনা হোৎনবগী মতম ওইরে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মমাং চহীদা কোভিদনা শিহনখিবা মশীংদগী রোদ এক্সিদেন্টতা শিহনখিবনা মশীং হেল্লি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : লৈবাক পুম্বদা শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মমাং চহীদা শিহনখিবা মী মশীংদগী রোদ এক্সিদেন্টতা শিখিবা মীগী মশীংনা হেনখি হায়না ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি ক্বেসন অৱারগী মতমদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা রোদ এক্সিদেন্ট থোকহন্দনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। অমদি মখা তানা লাইবকথিবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবগীদমক তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিংসু লৌখৎনবা শেম শাদুনা লৈরি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা রোদ এক্সিদেন্টকী থৌদোক অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। মমাং চহীদা রোদ এক্সিদেন্টনা মীওই লাক্ষ ১.৫ শিহনখি। অদুগা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মমাং চহীদা শিহনখিবা মশীংনা লাক্ষ ১.৪৬ নি।

লৈবাক অসিদা রোদ এক্সিদেন্টতা শিখ্রবা মী অয়াম্বা চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি। ৱর্ল্ড বেঙ্ক রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা মালেমগী মনুংদা রোদ এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা লৈবাক ওইরি। মমাং চহীদা লৈবাক অসিদা রোদ এক্সিদেন্ট লাক্ষ ৪.৫ থোকখি হায়না গাদ কারিনা মখা তাখি।

# অপনা দলগী এম এল এনা লৌমীশিংগী খোঙজং শৌগৎখ্রে

লক্ষ্নৌ, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : উত্তর প্রদেশতা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা অপনা দল (এস) কী এম এল এনা লৈবাক শিনবা থুংনা লৌমীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদু শৌগৎখিবগা লোয়ননা সেন্তরনা হীরম অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা অদুগী মতাংদসু ৱাহং কয়া হংখ্রে।

মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা অমদি লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস ফংহন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা লৌমীশিংনা দেল্লী ঙমখৈগী শরুক্তা কেম্প তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লি।

সেন্তরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা লৌমী অমদি মীয়ামগী অপাম্বা থুংহনবা ঙমদ্রিবা অসি অঙকপা ফাওই। নৌনা পাস তৌখ্রবা লো অহুম অসি লৌমীশিংগী য়াইফনবা নত্তে। মসিদি ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট খরা নুংঙাইহন্নবা লোনি। লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট গৌতম অদানি অমসুং মুকেস অম্বানিনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা চহী অমরোমগী মমাংদা অচৌ অচৌবা গোদাউদনশিং শাবা লোয়খ্রে।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংনা বি জে পি লৈঙাক পুখৎলকখিবনি হায়বসি বি জে পিনা কাওফম থোক্তে। লৌমীশিংনা য়াদ্রবদি বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্লোই হায়বসি কাওরোইদনি হায়রি।

# লেফটনেন্ট গভর্ণরদা অহেনবা শক্তি পীনবা হৌদোরকখিবা বিলগী মায়োক্তা দেল্লী কোংগ্রেসনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ON FIGHT
দিল্লী প্রদেশ কাংগ্রেস কমেটী
VASANT
GO NEWS
ANI

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : লোক সভাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর হোম জি কিষন রেদ্দিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা গভর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল কেপিটেল টেরিটোরি ওফ দেল্লী (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২১ হৌদোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা দেল্লী কোংগ্রেসকী মেম্বরিশংনা জন্তর মন্ত্রদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা দেল্লী কোংগ্রেসকী লুচিংবা অনিল কুমারনা ফোঙদোকখিবদা নেস্নেল কেপিটেলদা লৈরিবা লেফটনেন্ট গভর্ণরদা অহেনবা শক্তি পীনবা সেন্তরনা লৌখিবা ফিরেপ অদু দিমোক্রেসিগী হকপু খোঙ্গোয়নবনি। অসিগুম্বা বিল অসিগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা মতম খুদিংমক্তা লেপকনি।

দেল্লীদা কোংগ্রেসকী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা এম এল এ অমত্তা লৈত্রবসু বিল অসিগী মায়োক্তা দেল্লী লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা কোংগ্রেসনা অঙম্বা মতেং পাংগনি। দেল্লীদা লৈরিবা মীয়ামশিং য়াইফনবগীদমক কোংগ্রেসনা মতম পুম্নদা খল্লি।

দেল্লীদা কোংগ্রেসকী এম এল এ লৈবা নৎত্রগা লৈতবগা মীয়াম য়াইফনবা হোৎনবগা মরী লৈনদে। সেন্তরনা নৌনা হৌদোরক্লিবা বিল অসিনা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টকী মপাঙ্গল শোল্হহনগনি। করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌখ্রবদি সেন্তরনা লেফটনেন্ট গভর্ণরগী খুথাংদা দেল্লীবু ইরাই লায়না কন্ট্রোল তৌখ্রগনি। মসি থোক্তনবা পুন্না হোৎনমিন্নবগী মতম ওইরে হায়রি।

অমরোমদা দেল্লীদা রুল্লিং পার্টি ওইরিবা আম অদমি পার্টি (এ এ পি) গী কনভেনরসু ওইরিবা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন কেজ্রিৱালনসু জন্তর মন্ত্রদা বিল অদুগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে। জি এন সী টি দি (এমেন্দমেন্ট) বিলনা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টকী মপাঙ্গল শোল্হহল্লবা মতুং সেন্তরনা দেল্লীবু পায়শিন্নবা হোৎনরি। অদুবু দেল্লী মীয়ামগীদমক খল্লগা মহাক অমদি মহাক্কী পার্টিনা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপলি।

বিল অসি হন্দোক্লবা সেন্তরদা মহাক্কী মায়কৈদগী খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা দেল্লীদা চৎনহন্নবগীদমক নৌনা হৌদোরক্লিবা বিল অদুগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংদা মতেং পাংলকপগীদমক মমতা বেনজি’বু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্বুবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থুরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থুরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থুরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খুৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজ রে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-P/9231/15/3-16/4 Contact No. 6009147645/8014023792

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহে-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুথবা, য়ুম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খুদোংচাদবশিং Whatsapp কী খুথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456
*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
HL-B/6802/21/2-22/3 Near Community Hall, Imphal East

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ওজা KABIRAJ ABDUL HAK MANIPUR দা অতাঙবা ওজানি

অমুক্তং ওজা Kabiraj Abdul Hak কী হিদাক চাবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা পাইলসনা নাবগী অৱাবশিং খোঙ হাম্বদা মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাংথোংগী অকোয়বদা য়াম্না তোয়না হাক্কৎচবা, চক-চক থিনবা, অমাংথোংদা পেরে থোক্লুনা ইঞ্চি অমা মখায় ইন্থুরকপা, পুক শাবা, পুক খোংবা, থবাক ফুনগৎপা, চানিংবা পোক্তবা, ইশা ইতন-তন্থবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোংদা শারি-শারি তৌরম্বা অদু ওজা অব্দুলগী হিদাক চাজবদগী অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়না মপুদা থৌনিজরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)
# 8794429681/8014623756
*থাগৎচরিবা :* **S. Joy Meitei**
HL-P/9095/19 Wangkhei

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ তামো সুধাকরবু থাগৎচরি

সুধাকর

ঐগী কিডনীদা লৈরম্বা নুঙশিং অদু সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল আই. টি. আই মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা পাবুং পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরনা পাবুংগী মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবীবদগী ঐগী নুঙশিং অদু লোইনা তাখ্রে। চহী খরগী মমাংদসু পাবুংনা লায়েংদুনা ফহনবীখ্রবা মতুংদা হন্দকসু অমুক লৈরকপদগী তামো সুধাকরনা ফহনবীরে। মসিগীদমক্তা তামো সুধাকরবু হন্না-হন্না থাগৎচরি।
**Sd/- N. Dabeyenti Devi**
HL-P/9341/19 Kongpal Khaidem Leikai

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/লোক কংখু খুবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, হরা থুংবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, শদৌ থোংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, শ্বর ফুনগৎপা, খোঙ-খুৎ শজিং তোয়না হৌবা, হকচাংগী মসলশিং চিকপা নাবা ফহনবগীদমক ওজা **Azad** পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা এজমানা মরম ওইদুনা লোক কংখু খুবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, হরা থুংবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, শদৌ থোংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, শ্বর ফুনগৎপা, খোঙ-খুৎ শজিং তোয়না হৌবা, হকচাংগী মসলশিং চিকপা নাবা, খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা, মিহুন কা হেন্না চোংবা, নোং চুবদনা হেন্না শ্বর হোনবা ৱাবা, হকচাং হৈনিং শিংনিংদবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, অরুম্বা পোৎ পুবা ঙমদবা, থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, শ্বর হোনবদা থবাক্তা গের গের লাওবা, থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, শ্বর হোনবদা থবাক্তা গের গের লাওবা মখোল থোকপা, খ্বাং নাবা, য়াংলেন শরুদা চিকপা নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংফমশিংদি :**
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9323/19 *থাগৎচরিবা :* **Saikhom Indrajit,** Pangei

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা মতমদা সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, নিঙ্গাং ফম্বা মতমদসু অমাংথোংদগী ঈ তারকপা, অমাংথোংদগী খুৎপীমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নাম্থুরকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ তারক্কনি খনবদা চাবদা মপুং ফানা চাদবা খোঙ হামদনবগীদমক্তা, খ্বাং নাবা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, নিঙ্গাংনা ফম্বা মতমদসু অমাংথোংদগী ঈ তারকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রিফাও হকচাংদা নুংঙাইবা, অমাংথোংদগী খুৎপীমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থুবা, নাম্থুবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, খোঙ হাম্বদা ঈ তারক্কনি খনবদা চাবদা মপুং ফানা চাদবা খোঙ হামদনবগীদমক্তা, খ্বাং নাবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, থজিন শাওগৎপা, নময়াং মরিলদা চিকপা নাবা, অমাংথোং মনুংদসু খুৎনা থিংজিল্লগা য়েংবা মতমদা ফুরিগুম্না পোল্লগা লৈবা, ফম্বী শোনবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না মরু মরু হান্নকপা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, ঈশিং চৎপদা শাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোংদা শাবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা, খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-B/6825/19 *থাগৎচরিবা :* **Th. Abhiram Singh,** Yaripok